হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস
Wednesday, May 05, 2021, Imphal
Page 11



ইন্দিয়ন ওলিম্পিক স্পোর্টস এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টরগী থৌ পুরম্বা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরিঙৈদা হার্টফেল ওইরকপদগী লৈখিদ্রবা রাজকুমার সচেটি

ইজরেলগী স্পোর্টস পুৱারীদা অহানবা ওইনা ইজরেল ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা পাঙথোকপা প্রেমিয়র লীগতা হাপোল হাইফা অমদি বৈতর জেরুসালেমগী মেটচ ওফিসিএট তৌখিবা ট্রান্সজেন্দর রেফরি সাপির বর্মেন



# মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এস্লি বার্টি অমসুং স্পেনগী পোলা বদোসা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, মে ০৪ (এজেন্সী):
নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সিঙ্গলস শান্নরোয় ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি অমদি স্পেনগী পোলা বদোসা নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

এস্লি বার্টিনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১৪শুবা সিদেদ পোলেন্দগী আই সিৱাটেকপু অকনবা লম্বা মায়োক্লরবা মতুং সেট ২-০দা থোইখি। অহানবা সেট অদু গেম ৫-৫ ফাওবা মান্নরম্লবা মতুং এস্লি বার্টিনা ১১ অমদি ১২ শুবা গেম অনীমক থোইদুনা ৭-৫দা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা সিৱাটেককী মায়কৈদগী অকনবা মশান্না উৎলকপা ঙমদুনা বার্টিবু লম্বা তৌরকখি। অদুবু এস্লি বার্টিগী মায়কৈদগী মতাং চানা সিৱাটেককী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৪দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা ঙরাং রসিয়াগী কুদরমেটোভাবু মায়থীবা পীরম্বী চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লাটভিয়াগী এ সেভাষ্টোভাগা স্পেনগী পোলা বদোসাগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট ২ মায় পাক্লরবা মতুং অহুমশুবা সেটতা বদোসানা য়াম্না হেন্দুনা থোইবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু শান্নরোয় অনীমক গেম ১২ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনরবা মতুং টাই ব্রেক শান্নখি। টাই ব্রেক অদুদা সেবাষ্টোভানা সর্ভিস তৌবগী পাঙ্গল হেনখিবা মরম্না পোইন্ট ৭-০দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা সেবাষ্টোভাগী মায়কৈদা বদোসানা লাকশিন্নবা শান্নরকখিবা অদু হেঞ্জিনবা ঙমখিদে। অহানবা সেটকুম্না শান্নরোয় অনীমক গেম ৬-৬ মায় পাক্লদুনা অমুক্কা হন্না টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা বদোসানা পোইন্ট ৭-৩দা থোইদুনা সেট অমমম্ মান্নরকপনি। অদুবু অহুমশুবা সেটতা সেবাষ্টোভাগী সার্ভিস গেমশিং অদু মপাঙ্গল ৱাৎখিবদগী বদোসানা সর্ভিস গেম ৩মক ব্রেক তৌরগা ৬-০দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ঙরাং টুনিসিয়াগী জেবোরবু থোইরম্বী স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিককা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নমেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অহুমশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী এলিজ মর্টেন্সকী মখূৎতা ৬-৪, ৫-৭, ৫-৭তা মায়থীহৌরে। মর্টেন্সনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ু এস এগী জে পেগুলাবু ৬-১, ৬-২দা মায়থীবা পীরম্বী ৫শুবা সিদেদ বেলারুসকী এরিয়না সভালেনকাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলূপ্তা বেলিন্দা বেন্সিক অমদি স্বিটজরলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোয় জে তেকমাননা জপানগী এন হিবোনো অমদি চেক রিপব্লিককী আর ভোরাকোভাবু ৬-৩, ৭-৫দা মায়থীবা পীরম্বনি। মখোয়না ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এসকী এস রোজরস অমদি ক্রোএসিয়াগী পি মার্টিকক লম্বা তৌনগনি। মার্টিক অমসুং রোজরসনা মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী এন কিচেনোক অমদি বেলজিয়মগী আর ওলারুবু ৬-১, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বনি।

অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নম্বর ৱান প্যের ওইরিবা চাইনিজ টাইপৈগী সৈ সু ৱে অমদি বেলজিয়মগী ঈ মর্টেন্সপু রসিয়াগী পাব্লু চেনকোভা অমসুং লাটভিয়াগী জে ওষ্টাপেনকোগী প্যেরনা ৭-৬ (৭-২), ৪-৬, ১১-৯দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মখোয়না ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা প্যের অদু য়ু এস এগী মাটেক সেন্দস অমদি পোলেন্দগী সিৱাটেকপু ৪-৬, ৬-৩, ১০-৫দা মায়থীবা পীরম্বা রসিয়াগী প্যের বেসনিনা অমদি বোনারিভানি।



# মার্ক সেলবিনা সোন মর্ফি মায়থীবা পীদুনা ৪রকশুবা ৱর্ল্ড স্নুকর টাইটল লৌখ্রে

লন্দন, মে ০৪ (এজেন্সী):
শেফিল্ড সিটিদা লৈবা ক্রুসিবল থিএটরদা শান্নবা ৱর্ল্ড স্নুকর চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা ইংলেন্দগী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা মার্ক সেলবিনা সোন মর্ফিবু মায়থীবা পীদুনা মরিরকশুবা ওইনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ৩৭শুরবা মার্ক সেলবিনা কুমজা ২০১৭তা মহাক্কী অহুমশুবা ৱর্ল্ড স্নুকর চেম্পিয়নশিপকী টাইটল অদু ফংখ্রবা মতুং চহী ৪গী মতুংদা অহানবা ওইনা টাইটল অদু অমুক ফংলকপনি। মহাক্না মমাংদা টাইটল মরিরক লৌবা ঙমখ্রবা জোন হিগিন্সকা টাইটল মরিশুনা লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইরি।

মার্ক সেলবিনা কুমজা ২০১৮দা দিফেন্দিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইনা শরুক য়াখিবদা য়াম্না অশোয়বা মওংদা অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা নংখি। মহাক্না ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বগী ফমথোল অদু চহী অনী মখায়রোম টাইটল অমত্তা লৌবা ঙমখিদবদগী পোজিসন হন্থখি।

মার্ক সেলবিনা সোন মর্ফিবু য়াম্না কোম্না মায়থীবা পীখিবদি নত্তে। অহানবা সেসনদা শান্নরোয় অনীমক ফ্রেম ৪-৪ মায় পাক্লদুনা লাকখ্রবা মতুং অরোইবা সেসনদা মার্ক সেলবিনা ফ্রেম ১৪-১১দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু পূন্না ফ্রেম ১৮-১৫দা থোইরগা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা মার্ক সেলবিনা ফ্রেম অমখক মায় পাক্লগা টাইটল অদু লৌবগী তাঞ্জা য়ৌশিল্লকপদা সোন মর্ফিনা মখা তারকপা ফ্রেমশিং অদু থংন-থংননা মায় পাকপা ঙল্লকপদগী ফাইনেল অদুবু মীৎয়েং তাখিবা ক্রুসিবল থিএটরদা লৈখিবা ভাবোকশিংগী মায়কৈদগী য়াম্না নুংঙাইবা অমদি মীৎফম হোংবা ঙমখিদবা ফাইনেল মেটচ অমা ওইখি।

সোন মর্ফিনা থংন-থংনবা ফ্রেম অনী মায় পাক্লক্লবা মতুং অহুমশুবা ফ্রেম অদুসু থোইনবা হোৎনবদা সেলবিনা ব্রেক তৌরকপদগী মহাক্কী খূদোংচাবা অদু লাকখিবনি। মখা তারকপা অদুদা মহাক্না মর্ফিবু লাকশিন্দুনা মহাক্কী শোটশিং অদু য়াম্না ফজরকপদগী টাইটল অদু মহাক্না লৌবা ঙমখি। টাইটল লৌবা লোইরবা মতুংদা সেলবিনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহী খরা অসিদা মহাক্কী অশোনবা লৈখ্রবসু ফুগৎনবা কন্না হোৎনরি হায়খি।



# এথলেটিক বিলবাওগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবদগী সেভিয়াগী টিম লালিগাগী টাইটল লমজেলদা য়াওবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈখ্রে

মাদ্রিদ, মে ০৪ (এজেন্সী):
মাদ্রিদতা লৈবা আর সাঞ্চেস পিজৱান ষ্টেদিয়মদা সেভিয়ানা য়ূম্লু ওইরগা এথলেটিক বিলবাওগা শান্নবা অদুদা মায়থীবা নংখিবদগী লালিগাগী টাইটল ফংনবগী লমজেলদা শরুক য়াবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈখ্রে।

সেভিয়াগী টিম টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৩শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৭০ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা, এথলেটিক বিলবাও পোইন্ট ৪২ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরমখি। ঙরাংগী মেটচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীগী মায়কৈদা অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবশিং অদু ফংবা ঙম্নদনা অহানবা হাফ অদু স্কোর অমত্তা তৌনদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা মায় পাক্লনবা সেভিয়াগী মায়কৈদগী মখোয়গী অকনবা মশান্না অদু পুথোক্লবসু এথলেটিক বিলবাওগী দিফেন্দরশিং অদুনা মখোয়গী মথৌদাং অদু নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্বদগী সেভিয়া হেঞ্জিল্লকপা ঙমখিদে। শান্নবগী অপীবা মতম লৈশিল্লক্লবা ৯০ শুবা মিনটতা এথলেটিক বিলবাওনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা ওইহান সানচেটনা পীরকপা বোল অমদা ইনাকি ৱিলিয়মসনা মেটচ অদুগী খ্বাইদগী মরুওইবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাক্তুনা ৯শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

লালিগাগী রাউন্দ ৩৪ লোইশিল্লকপদা এথলেটিক মাদ্রিদনা ৭৬ ফংলগা মকোক্তা লৈরি। রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনানা ২শুবা অমদি ৩শুবা পোজিসনদা লৈরি।



# টোরিনোনা পর্মাবু ১-০দা মায়থীবা পীখিবদগী পর্মা সেরি এদগী রেলিগেট তৌবা য়াবগী য়াম্না নকপা ফীভমদা লৈখ্রে

রোম, মে ০৪ (এজেন্সী):
রোমগী ওলিম্পিকো গ্রান্দে টোরিনোদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেরি এগী মেটচ অমদা টোরিনোনা পর্মাবু মায়থীবা পীদুনা পর্মাগী টিম লীগ অসিদগী রেলিগেট তৌবগী লম্বেল য়াম্না নকশিনখ্রে।

টোরিনোগী মায়কৈদগী মমাংদা রাউন্দ ৩২ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৩১ ফংদুনা ১৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, টিম ২০গী কম্পিটিসন অসিদা পর্মাগী টিম রাউন্দ ৩৩ শান্নখিবদা মখোয়না শুপ্পগী পোইন্ট ২০ ফংলগা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈদুনা রেলিগেসন জোন মনুং চনখিবনি। ঙরাংগী মেটচ অদুগী অয়াম্বা শরুক টিম অনীগী মশান্না মান্নখিবদগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী ২শুবা হাফ হৌরকপা ১৮শুবা মিনটতা টোরিনোগী মায়কৈদগী খৃষ্টিয়ন দেনিএল অন্সালদিনা পীরকপা বোল অমদা মর্জিম বোজবোদানা পাঞ্জল ১ চল্লগা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী মখা তারকপা অপীবা মিনট ৯০ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পর্মাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা অদু কান্নবা ফংদনা মায়থীবা নংখি। টোরিনো মায় পাকপা অদুনা মরম ওইরগা থাক ৩ হাইগৎলগা ১৫শুবা পোজিসনদা লৈখি।



# ৱেষ্টহেম য়ুনাইটেদনা বর্নলেবু ২-১দা থোইখ্রে, ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্স অমসু ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওন ১-১দা ড্রো চৎখ্রে

লন্দন, মে ০৪ (এজেন্সী):
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা ৱেষ্টহেম য়ুনাইটেদনা বর্নলেবু ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওন অমদি ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্স পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চৎখ্রে।

লন্দনগী টর্ফ মুর ষ্টেদিয়মদা বর্নলেনা য়ূম্লু ওইরগা ৱেষ্টহেমগা লম্বা তৌনখিবনি। বর্নলে লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩৬ ফংলগা ১৬শুবা পাজিসনদা লৈখি। অমরোমদা, ৱেষ্টহেম য়ুনাইটেদ পোইন্ট ৫৫ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।


মেটচকী হৌরকপা ১৯শুবা মিনটতা বর্নলেগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় খৃস ৱুদনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মিনট ২গী মনুংদা ৱেষ্টহেম য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ৱ্লাদিমির কোফালনা ক্রোস তৌরকপা বোল অমদা মাইকেল এন্টোনিওনা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু অমুক মান্নরকখি। অদুবু এটেক চথবগী চাং য়েংনরুবদা মশীং য়ামখিবা ৱেষ্টহেম য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মাইকেল এন্টোনিওনা টিমমেট বেনরামাগী বোলদা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা ২-১দা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা বর্নলে মায়থীহৌখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওননা য়ূম্লু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ দি হাওথোর্নস ষ্টেদিয়মদা ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সকা শান্নখি। অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সকী মায়কৈদগী ফাবিও সিলভানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অনীশুবা হাফ শান্নরকপদা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনগী মায়কৈদগী কোনোর টাউনসেননা পীরকপা বোলদা মাইয়ে দিয়াকনেনা ইক্কেলাইজর চল্লগা লোইশিনখি।



COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
Test Series With
Discussion After Test
NEET-UG (Medical) 2021
Seats are Limited
Enrolment on first come first serve basis of admission
For details please contact :- COMET office between 10am to 4pm,
New Block, Keishamthong Top Leirak Maning
HL-B/6962/4,5,6/5

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 99

**GM Savchenko, Boris (2602) - Mohammad, Nubairshah Shaikh (2415)**
**23rd Abu Dhabi Masters Abu Dhabi UAE, 2016.08.23**

1.e4 c5 2.Nf3 e6 3.c3 Nf6 4.e5 Nd5 5.d4 cxd4 6.cxd4 d6 7.Bc4 Nc6 8.O-O Be7 9.Qe2 O-O 10.Re1 dxe5 11.dxe5 b6 12.Rd1 Bb7 13.b3 Na5 14.Bxd5 Bxd5 15.Nc3 Bxf3 16.Qxf3 Qc7 17.Bf4 Qc6 18.Ne4 Rfd8 19.h4 Rac8 20.Bg5 Bxg5 21.hxg5 Rd5 22.Qf4 Nb7 23.b4 a5 24.a3 Qd7 25.Qg4 Rc4 26.Rdc1 Rcd4 27.Qf4 a4 28.Rc3 Rd1+ 29.Kh2 Rxa1...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 98 Ans. :**
**26.** ...e3 **27.** Qxe3 Qxe3 The black queen deflects White's rook away from protecting the square b1. **28.** Rxe3 Rxc3 **29.** dxc3 Rb1+ **30.** Bc1 Rxc1+ **31.** Re1 Rxe1+

**26.** ...e3 **27.** Rff1 Bxf1 **28.** Qxf1 Qb6 **29.** a5 Qxa5 **30.** Rxe3 Qxa3 **31.** Nd5 Qc5 **32.** Ne7+ Kh8 **33.** Nxc8 Nd5

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
RESULTS FOR HSLCE 2021 PREPARATORY MOCK TEST

RANK HOLDERS

| Sl. | Name | School | Roll No. | Marks | Position |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Nancy S. | Nirmalabas | 10239 | 442 | 1st |
| 2. | H. Vivekanandagiri | Regular E/S | 10352 | 432 | 2nd |
| 3. | Lanchenbi A. | Friendship E/A | 10219 | 431 | 3rd |
| 4. | I. Ritu | Sacred Heart | 10273 | 424 | 4th |
| 5. | Prithiviraj M. | New Model P/S | 10248 | 421 | 5th |
| 6. | Pretty H. | New Model P/S | 10226 | 419 | 6th |
| 7. | Alia M. | Nirmalabas | 10246 | 416 | 7th |
| 8. | Baby Ruman | Tiny Tots | 10315 | 412 | 8th |
| 9. | T. Nirchita | Nirmalabas | 10275 | 406 | 9th |
| 10. | Pretty Th. | Regular E/S | 10212 | 405 | 10th |
| 11. | Tej Paul | St. Joseph | 10296 | 404 | 11th |
| 12. | M. Shitaljit | Heritage | 10277 | 403 | 12th |
| 13. | M. Lanchenba | Donbosco CCP. | 10249 | 399 | 13th |
| 14. | Joyshree L. | Christ Jyoti | 10231 | 397 | 14th |
| 15. | Chinthianpiak | Cambridge CCP. | 10204 | 396 | 15th |
| 16. | Nasim Banu | Christ Jyoti | 10294 | 394 | 16th |
| 17. | Sararita Y. | Regular E/S | 10266 | 393 | 17th |
| 18. | Peterson L. | St. Joseph | 10237 | 393 | 17th |
| 19. | K. Rilasa | Nirmalabas | 10253 | 391 | 18th |
| 20. | SK. Jagjit | St. Joseph | 10261 | 390 | 19th |
| 21. | Lingjel L. | Nirmalabas | 10270 | 389 | 20th |
| 22. | Th. Chandrika | Nirmalabas | 10265 | 388 | 21st |
| 23. | P. Sanathoi | Little Flower | 10297 | 385 | 22nd |
| 24. | Th. Suranjit | Triveni P/S | 10292 | 383 | 23rd |
| 25. | Dhakeshwor S. | St. Joseph | 10218 | 381 | 24th |
| 26. | Michelle T. | Tiny Tots | 10242 | 380 | 25th. |

SUBJECT TOPPERS

English
1. M. Prithiviraj (New Model P/S) 73
2. Nasim Banu (Christ Jyoti) 73
3. M. Shitaljit (Heritage) 72

Social Science
1. Nancy S. (Nirmalabas) 67
2. M. Prithiviraj (New Model P/S) 66
3. Aliya M. (Nirmalabas) 64

Additional Subject
1. Kelina Ch. (Little Flower) 80 (Comp)
2. Vivekanandagiri (Regular E/S) 79 (H/Maths)
3. M. Prithiviraj (New Model P/S) 79 (Thang-Ta)
4. Lanchenbi A. ( Friendship E/A) 79 (Thang-Ta)
5. Nasim Banu (Christ Jyoti) 70 (H/Sc)

M.I.L.
1. Nancy S. (Nirmalabas) 78 (MAN)
2. Vivekanandagiri (Regular E/S) 77 (MAN)
3. Kelina Ch. (Little Flower) 77 (MAN)
4. Chinthianpiak (Cambridge CCPur) 76 (Paite)
5. Ninevie Khartu (Little Flower) 74 (AE)

Mathematics
1. Nancy S. (Nirmalabas) 80
2. Lanchenbi A. ( Friendship E/A) 80
3. Yaisana M. (Little Flower) 80

Science
1. Pretty H. (New Model P/S) 73
2. I. Ritu (Sacred Heart) 72
3. Harsheeta Th. (Little Flower) 71

1st Division (in order of merit) 10317, 10203, 10267, 10227, 10217, 10300, 10340, 10247, 10285, 10225, 10287, 10314, 10243, 10234, 10213, 10320, 10283, 10269, 10276, 10224, 10286, 10271, 10202, 10250, 10257, 10282, 10241, 10321, 10256, 10222, 10251, 10281, 10322, 10326, 10220, 10329, 10208

Contact Nos. 8732022342 / 7628946313

For Inquiry of Marks Scored please send name & roll number through Whatsapp

HL-B/6869/4,5,6/5